অৱাং নোংপোক লমদমগী এয়র লিঙ্কশিং ফগৎহনবা তঙাই ফদেঃ ভেনকাইয়া নাইদু

আইজোল, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :

অৱাং নোংপোক লমদমগী এয়র কন্নেক্টিভিটি ফগৎহনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকাইয়া নাইদুনা ফোঙদোকখ্রে।

মিজোরামগী গভর্ণর পি এস শ্রীধারন পিলাইনা ইবা 'ও মিজোরাম' কৌবা লাইরিক অমা ভার্চ্যুএল ওইনা রিলিজ তৌখিবদা নাইদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। ভাইস প্রসিদেন্টনা লমদম অসিগী টুরিজমগী পোটেন্সিএল মপুং ফানা শীজিন্নবসু আপীল তৌখি। মহাক্না হায়খি, টুরিজমগী পোটেন্সিএল মপুং ফানা শীজিন্নদুনা ইকো-টুরিজম অমসুং কলচরেল টুরিজমনচিংবা খুমাং চাওশিনহল্লবদি অৱাং নোংপোক লমদমদা চাওখৎপা পুরক্কনি। অৱাং নোংপোক লমদমগী এয়র কন্নেক্টিভিটি ফগৎহনবা অসিখক্না লমদম অসিদা টুরিষ্টশিং লাকহনবদা চাওনা মতেং ওইগনি।

চহী খুদিংগী ইন্দিয়ন মিল্লিয়ন ২৬ মপানদা চৎলি হায়না পল্লদুনা ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি, কোভিদ-১৯ লায়চৎ মতুংদা লৈবাক অসিগী টুরিষ্ট অয়াম্বা লোকেল ত্রাভেলিংনা হেন্না পাম্নরকপা য়াই। মসিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা টুরিজম সেক্টর চাওখৎনবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা ফঙহনগনি।

মহাক্না লমদম অসিদা মপানগী মীওইশিংনা উনদ্রিবা মমাংঙৌদগী লৈরক্লবা মহৌশাগী ফজবা কয়া লৈ হায়খি অমসুং য়েংবদা ফজরবা ফেষ্টিবেলশিং ফোক ম্যুজিক অমসুং পাঙ্গল ফুদোকপা জগোয়শিংনা মিজো খুন্নাই তশেংনমক তোমথিল ওই হায়না শীংথাখি। নোংপোক্লোমগী সোংবর্দ হায়না তোয়না কৌনবা মিজোশিংদা মহৌশানা ঈশৈ নোংমাইগী টেলেন্ট লৈ হায়না মহাক্না মখা তাখি। থৌরম অদুদা দিভলপমেন্ট ওফ দ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর) মিনিষ্টর জিতেন্দ্র সিংহ অমসুং গভর্ণর পিলাইনচিংবা কয়ানা শরুক য়াখি।

আসুনা জোরহাটতা প্রাইভেট ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ হাংদোকখ্রে

জোরহাট, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :

ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু) গী প্রসিদেন্ট দিপানকা কুমার নাথনা ইরাই নুমিত্তা অসামগী জোরহাটতা প্রাইভেট ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ অমা শঙ্গাখ্রে।

প্রাইভেট ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ অসি অসামগী মহৈরোয়শিংগী বোদি অসিগী জোরহাট দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটনা সিষ্টর ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা অসোম সেনাগা খূৎশম্নরগা জোরহাটকী সোলিসিটর রোদতা লিংখৎপনি। প্রাইভেট ইমপ্লোয়মেন্ট এক্সচেঞ্জ অসিগী পান্দমদি নহা ওইরিবা মীওইশিংবু প্রাইভেট কম্পনিশিং অমসুং ফার্মশিংদা থবক ফঙহনবনি। ইনিন্সিএটিভ অসি আসুনা ষ্টেট অসিদা পায়খৎপা অহানবনি অমসুং মদু লোকেল ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা গাইদেন্স ইনফোর্মেসন কম কাউসেলিং সেন্টরগী মতেংগা লোয়নননা পায়খৎখি।

খোঙথাং অদু ক্বালিফাইদ ওইরবা অমসুং হৈথোই শিংথোইরবা লোকেল নহারোলশিংবু প্রাইভেট সেক্টরদা থবক্কী কেটিগরি খুদিংমক খঙহনবদা মতেং ওইনবা লৌখৎখিবনি। আসুগী জোরহাট য়ুনিটনা ফোঙদোকখিবদা প্রোফেস্নেল ওইবা মওংদা চান্নবা নোলেজ লৈবা মীওইশিংনা চলাইগনি অমসুং লুপা ২০০ গী মিনিমম রেজিষ্ট্রেসন ফী চার্জ তৌরগা প্লেসমেন্ট কম কাউন্সেলিং সেন্টরগুম্না থবক তৌগনি। অদুমওইনমক এজেন্সি অসিনা ফেসিলিটি অসিগী খুত্থাংদা থবক ফংলবা নহারোলশিংবু মখোয়গী অহানবা তলব ফঙলবা মতুংদা লুপা ২০০০ পীহনবা পাল্লি।

আসুগী জোরহাট দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখিবদা, মহৈরোয় বোদি অসিনা অহানবদা ইমপ্লোয়রদগী লুপা ২০০ লৌনবা হোৎনগনি। তৌইগুম্বসুং ইমপ্লোয়রনা পীনিংদ্রবদি থবক তৌরিবা মীওই অদুদা শেনফম অসি পীনবা হায়গনি।

প্রাইভেট প্লেসমেন্ট এজেন্সিশিংনা মখোয়গী খুত্থাংদা থবক ফঙবা মীওইশিংদগী থা কয়া তলবকী পার্সেন্টেজ চাওনা লৌবগা লোয়নননা রেজিসত্রেসন ফীশিংসু চাওনা লৌই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি। আসু-অসোম সেনানা লিংলিবা সেন্টর অসিনা মসিদা রেজিষ্টর তৌরিবা নহারোলশিংদা মমিংগী ওইবা শেনফমদা কাউন্সেলিং অমসুং গাইদেন্সকী খুদোংচাবা ফঙহনগনি।

গৌহাটি হায় কোর্টনা বি টি সীদা লৈঙাক্কী থবক হৌদনবা খঙহনখ্রে

গুৱাহাটি, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :

গৌহাটি হায় কোর্টনা বোদোলেন্দ টেরিটোরিএল কাউন্সিল (বি টি সী) দা ষ্টেটস কো কাইহন্দনবা অমসুং কাউন্সিলদা লৈঙাক্কী থবক হৌদনবা খঙহনখ্রে।

কাউন্সিল অসিগী চীফ এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমসুং অতৈ মেম্বরশিং হাপখিবগী কন্সটিট্যুস্নেল ভেলিদিটি শীংনদুনা বোদোলেন্দ পিপলস ফ্রন্ট (বি পি এফ) কী প্রসিদেন্ট হগ্রামা মোহিলারি অমসুং মহাক্কী পার্টিগী ৱার্করশিংনা ফাইল তৌখিবা রিট পীটিসন অমগী ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা হিয়ারিংদা কোর্টনা ওবজার্ভেসন অসি পীখিবনি।

কাউন্সিলগী অনৌবা মেম্বরশিংগী মনুংদা তরুকতি নোমিনেট মোহিলারিনা মহাক্কী রিট পীটিসন অদুদা চীফ এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমসুং অতৈ মেম্বরশিং হাপ্লিবদু ইলেক্সন রুলস, ২০০৪ গী মখাদা লৈরিবা রুলশিং খোঙ্গাওনৈ হায়খি। জষ্টিস সুমান শ্যামগী সিঙ্গল বেঞ্চনা মেটর অদু দিসেম্বর ২২ দা অমুক হিয়ারিং তৌনবা মতম লেপখি।

মোহিলারিনা হায়খি, সিট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ওল্লিবা পার্টিবু গভর্ণরনা গভর্ণমেন্ট শেম্নবা ইনভাইট তৌবা অমসুং মেজোরিটিনা শৌগৎলি হায়বা প্রুভ তৌহনবা অসি মমাঙঙৌদগী লৈরক্লবা চৎনবীনি। অসিগুম্বা দিমোক্রেসিগী মরু ওইবা চৎনবীশিং খোঙ্গাওনদুনা পার্টি অহুম্না কাউন্সিল শেম্নবা এলাইএন্স অমা শেমখি।

পার্টি অহুম হায়বদি য়ুনাইটেদ পিপলস পার্টি লিবরেল (য়ু পি পি এল), ভারতিয়া জনাতা পার্টি (বি জে পি) অমসুং গনা শুরক্ষা পার্টি (জি এম পি) না এলাইএন্স অমা শেমদুনা দিসেম্বর ১৬ তা মরিশুবা বি টি সী কাউন্সিলগী গভর্ণমেন্ট শেমখি।

সিট ৪০ গী মনুংদা ১৭ ফংদুনা বি পি এফনা সিট মশীং খ্বাইদগী য়াম্না ফঙবা পার্টি ওইরগসু সিম্পল মেজোরিটি য়ৌবা ঙমখিদে। গভর্ণরনা বি পি এফকী মেম্বরশিংদা ইনভাইট তৌদুনা মেজোরিটি প্রুভ তৌবগী খুদোংচাবা পীখিদবনি।

মমাংদা বি পি এফকী লিদরশিং জগদিস সরকার অমসুং নেরমোন বোরোনা হায় কোর্ট অসিদা রিট পীটিসন অমা ফাইল তৌদুনা গভর্ণমেন্টগী রুল শীংনবগা লোয়নননা মখোয়গী টর্ম থা তরুক অমগসু শাংদোকহন্নবা আপীল তৌখি।

মেঘালয়াদা অমুক হন্না মৈ পীবগী ৱাফম য়াখ্রে

শিলোং, দিসেম্বর ১৯ (এজেন্সী) :

নোর্থ ইষ্টর্ন ইলেক্ট্রিক পৱার কোর্পোরেসন লিমিটেদনা মেঘালয়াদা থাংজ নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪.৩০ দগী মৈ পীবগী থবক মখা চত্থবগী ৱাফম য়াখ্রে।

শিলোংদা লৈবা এন ঈ ঈ পি সী ও হেদক্বাটর্সকী সোর্ছশিংনা থাংজ নুমিৎকী নুংথিলদা ফোঙদোকখিবদা মেঘালয়া গভর্ণমেন্টনা হান্নগুম্না মৈ পীবীনবা হায়জরকখিবদা মৈ পুথোক্লিবা পি এস য়ু অসিনা য়াখ্রে। মেঘালয়া ইনর্জি কোর্পোরেসন লিমিটেদ (এম ঈ সী এল) না অতোনবা শেনফমশিং পীথোক্তবগা লোয়নননা সিক্যুরিটি গরেন্টি পীবা ঙমদবদগী এন ঈ ঈ পি সী ওনা অহিং নোংয়াইদগী মেঘালয়াদা মৈ পীবা লেপখিবনি। এম ঈ সী ওগী অতোনবা শেনফম লুপা ক্রোর ৬৯০ পীবা ঙমখিদবনি।

ꯗꯨꯇꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

(অঙৌবা পকপা)
হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

(তাং-তাং চিকপা)
তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)
দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থর্ককনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

(নুংশং)
নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)
পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু

(নুপাগী প্রোব্লেম)
ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়নননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

(নুপীগী প্রোব্লেম)
নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)
না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

(শমগী প্রোব্লেম)
শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE
If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegetables or tea without telling him.

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL
If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

ꯗꯨꯇꯇꯥ ꯀ꯭ꯂꯤꯅꯤꯛ
DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6597/09/12-07/01

CROSSWORD-3652



ACROSS	DOWN
7 Clever (11)	1 Bicycle (4)
8 Gas used in balloons (6)	2 Walk with long steps (6)
9 Romantic song (6)	3 Spanish music (8)
10 Room divider (6)	4 Arm or leg (4)
12 Hit (6)	5 Underground room (6)
13 Make a dove-like sound (3)	6 Assailant (8)
14 Gambling establishment (6)	11 Padre (8)
16 Sparse (6)	12 Broad-brimmed Mexican hat (8)
18 Smart (6)	15 Turn upside down (6)
20 Cad (6)	17 Pay heed (6)
22 Lack of respect (11)	19 Wander (5)
	21 Regular (4)

Solution 3651

N	I	C	K	E	L	■	O	S	C	A	R	S
O	■	O	■	P	■	■	■	A	■	P	■	H
R	O	M	E	O	■	C	U	M	B	R	I	A
W	■	F	■	C	■	U	■	U	■	I	■	N
A	N	O	T	H	E	R	■	R	U	L	E	D
Y	■	R	■	■	■	I	■	A	■	■	■	Y
■	■	T	A	I	L	O	R	I	N	G	■	■
G	■	■	■	N	■	S	■	■	■	O	■	S
A	L	O	O	F	■	I	N	F	R	O	N	T
T	■	I	■	I	■	T	■	O	■	D	■	I
H	O	L	I	D	A	Y	■	R	O	B	I	N
E	■	E	■	E	■	■	■	C	■	Y	■	G
R	I	D	D	L	E	■	R	E	M	E	D	Y

SOLUTION ON NEXT ISSUE

ষ্টেটকী পাউ

ফোরেষ্ট, পুলিস অমদি অসাম রাইফলস পার্সনেলশিং নুমিৎ নীনিগী ৱার্কসোপ লোইশিনখ্রে

জৌপি, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস) :

'ইন্টেলিজেন্স কলেক্সন, ইনভেষ্টিগেসন এন্দ হেন্দলিং ওফ ৱাইল্দ লাইফ কেসেস' হায়বা হীরমদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্তিতা মথৌ তৌরিবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, পুলিস অমদি অসাম রাইফলস পার্সনেলশিংগী ওইবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী জৌপি ভিলেজদা লৈবা ৩০ শুবা এ আরগী কেম্পতা চত্থরকপা ৱার্কসোপ ঙরাং লোইশিনখ্রে।

মণিপুর ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, অসাম রাইফলস, মণিপুর পুলিস, ৱাইল্দ লাইফ ক্রাইম কন্ট্রোল ব্যুরো (দব্লিউ সী সী বি) অমদি ৱাইল্দ লাইফ কঞ্জর্বেসন সোসাইটি (দব্লিউ সী এস) ইন্দিয়ানা পুন্না খূৎশম্ননা শিন্দুনা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চত্থরকখিবা ৱার্কসোপ অদুদা চান্দেল ফোরেষ্ট দিভিজনগী দি এফ ও গনেশ অমদি এ সী এফ চান্দেল এস এল নিং থিয়ানহোই এম সী এফ য়াওনা ফোরেষ্টকী ষ্টাফশিং, চকপিকারোং পি এসকী পার্সনেলশিং অমদি ৩০ শুবা এ আরগী জৱানশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

নুমিৎ নীনি চুপ্পা চত্থরকখিবা ৱার্কসোপ অদুদা দব্লিউ সী সী বি ইষ্টর্ন রিজনগী রিজনেল দেপ্যুটি দিরেক্টর অগনি মিত্র, দব্লিউ সী এস ইন্দিয়াগী অনিরৱান চৌধুরি, দব্লিউ সী সী বিগী ইন্সপেক্টর ৱ্রোজেন অমদি এদভোকেট সামির মাজুমদারনা রিসোর্ছ পার্সনশিং ওইনা অহানবা অমদি অনীশুবা নুমিৎশিংদা মথংশিংনা 'সিনারিও ওফ ৱাইল্দ লাইফ ক্রাইম ইন ইন্দিয়া', 'বাইওদাইভরসিটি' এন্দ ৱাইল্দ লাইফ ৱেলঠ ওফ মণিপুর ষ্টেটঃ রিসেন্ট ৱাইল্দলাইফ ক্রাইম', স্পেসিস আইদেন্টিফিকেসন, লিগেল প্রোভিজনসু রিলেটেদ টু ৱাইল্দলাইফ ক্রাইম ইন দব্লিউ এল পি এ, আই এফ এ, আই পি সী এন্দ সী আর পি সী ৱাইল্দ লাইফ (প্রোটেক্সন) এক্ট, ১৯৭২, হায়বা হিরমশিংদা ৱা ঙাঙখি।

লোয়নননা ইন্টলিজেন্স কলেক্সন এন্দ সর্ভিলেন্স, সর্ছ এন্দ সিজর, প্রিপরেসন ওফ কোর্ট দোক্যুমেন্টস, ইনভেষ্টিগেসন এন্দ ফাইল্লিং ওফ কমপ্লেন্টস, কোর্ট প্রোসিদ্যুর ইন দব্লিউ এল পি এ ৱিথ ইম্পোর্টেন্ট কেস লোজ এন্দ প্রক্টিকেল সেসন ওন ফাইল্লিং অপ ওফ কোর্ট প্রোসিজর ইন দব্লিউ এল পি এ ৱিথ ইম্পোর্টেন্ট কেস লোজ এন্দ প্রেক্টিকেল সেসন ওন ফিল্লিং অপ ওফ কোর্ট দোক্যুমেন্ট, মোক ত্রাইএল ওফ দব্লিউ এল পি এ, ১৯৭২ কেস, মোক ক্রাইম সিন।

প্রিপরেসন ওফ সিজর মেমো, এরেষ্ট মেমো, সাইট মেপ এন্দ ফোটোগ্রাফ হায়বা হীরমশিংদা প্রাক্টিকেল এক্টিভিটি কয়াসু শরুক য়াখিবশিংদা পাঙথোকহন্দুনা পুন্না ৱাখল তামিন্নখি হায়রি।

নুমিৎ নীনি চুপ্পা চত্থখিবা ৱার্কশোপ অসিগা মরী লৈননা দব্লিউ সী সী বি ইষ্টর্ন রিজনগী রিজনেল দেপ্যুটি দিরেক্টর অগনি মিত্রানা ফোঙদোকপদা মণিপুর অসি অসাম অমসুং ম্যান্মার অনীগী মরক্তা লৈরিবা ফাওনফম অমনি।

অসামদগী রাইনোগী মচি অমদি লমলক্কী শা-উচেকশিং পুথোক পুশিন তৌরিবা মফম অমনি। মরম অসিনা ৱার্কসোপ অসি মণিপুরগী ফোরেষ্ট ওফিসরশিং অমদি পুলিসশিংদা ৱাইল্দ লাইফ ক্রাইমশিং মতৌ করম্না খঙগনি অমদি মতৌ করম্না ৱাইল্দ লাইফ ক্রাইমশিং চত্থগনি হায়বদু ট্রেন তৌনবগীদমক পাঙথোকপনি।

মণিপুর অসি আসাম অমদি ম্যান্মার অনীগী লোন্নবদা লৈরিবা অসামদগী ৱাইল্দলাইফকী পার্টশিং পুরক্তুনা ম্যান্মারদা পুদুনা লৈবা য়োনবা তৌনবগী লম্বী অমা ওইবনা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, পুলিস অমদি অসাম রাইফলকী মীওইশিংনা ইন্টরসেপ তৌবদা পোৎলমশিং অদু লায়না মশক খঙবা ঙম্নবা অমদি লিগেল প্রোসিদিওরশিং নীয়ম চুম্না চত্থবা ঙম্নবগীদমক ৱার্কসোপ অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ

আই জি পি মনিপুর এন্দ নগালেন্দ সেক্টরগী মীৎয়েং মখাদা ১০৯ বটালিয়ন সি আর পি এফনা শিন্দুনা সেনাপটি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মাও গেটতা লৈবা পুদুনমাই ভিলেজদা ঙরাং সিভিক এক্সন প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা কম্যান্দেন্ট-১০৯ বি এন, সি আর পি এফকী আর ও (এম এন্দ এন সেক্টর) না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সিবিক এক্সন প্রোগ্রাম অদুগা মরী লৈননা অকোয়বদা লৈবা খুঙ্গংশিং কালিনমাই, সোংসোং, রবুনমাই, চোৱাইনু, পুনানমাই, কয়িনু, ফিকোমাই অমসুং পুদুনমাইগী মীওইশিংদা মতেং পাংবগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা বিনোদ কুমার, কম্যান্দেন্ট ১০৯ বি এন না ফোঙদোকখিবদা ১০৯ বি এন, সি আর পি এফ মোংশাংগৈনা মতম পুম্বদা লমদম অসিগী মীয়ামদা মতেং পাংদুনা লাক্লি। মখা তানসু পাংখিগনি। ঙসি পাঙথোক্লিবা প্রোগ্রাম অসিসু মীয়ামদা মতেং পীনবনি। হৌজিক্কী মতমদা থক্লবা অফবা ঈশিং য়াম্না মরুওই হায়নসু ফোঙদোকখি।

ভিলেজ চীফ কয়ানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা অফবা থক্লবা ঈশিং তুংশিন্দুনা থম্বা য়ানবা ৱাটর ষ্টোরেজ অমসু মীয়ামদা খুৎশিন্নখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

তেংবাং পীগদৌরি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ

দিসএবল ৱেলফ্যের দিবলপমেন্ট এসোসিয়েসন (দি দব্লিয়ু দি এ), তকয়েল খোংবাল ময়ায় লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিন্দুনা থা অসিগী ৩০দা হকচাংগী ফিভমদা মীমান্দ্রবী, মপুরোইবা কাইনখ্রবী ঐচ আই ভিগা লোয়নননা হিংলিবা অমদি বি পি এল কার্দ পায়বা নীপশিংদা মতেং পীবগী থৌরম অমা পাঙথোক্কদৌরি।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিগীদমক থা অসিগী ২০ দগী ফোর্ম থাবা হৌজরগনি অমদি ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ২৮ ফাওবা ওইগনি। অকুপ্পা মরোলগীদমক ৭৬২৯৮৫৪৮৮১, ৯৮৬৩৪৩১৩৪৭ দা কন্টেক্ট তৌরক্লবা দি দব্লিয়ু দি এগী সেক্রেটরি সি ঐচ ননাও দেবিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লম্লক্কী শা-উচেক ফাবা হাৎপদা অথিংবা থম্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

লম্লক্কী শা-উচেক কনসি, অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেনসি হায়না ৱাল্দলাইফ বেজ ওর্গনাইজেসন কয়ানা চঙশিল্লকপা খোঙজংবু শৌগৎলদুনা ঙসি লম্লাই ষ্টুদেন্টস আইদিএল ক্লবকী ওফিসতা খন্ন-নৈনদুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

মখল অমত্তগী খুৎলাই শীজিন্নদুনা লম্লক্কী শা-উচেক ফাবা হাৎপগী অথিংবা থম্লে। কনাগুম্বনা অথিংবা অসিগী মায়োক্তা চত্থরকপা তারগদি ৱাইল্দলাইফ প্রোটেক্সন এক্ট ১৯৭২গী মতুংইন্না চৌরাকফংহনবদা মরী লৈনবশিংগী মতেং লৌরগনি হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরি বিশন লুৱাংনা ফোঙদোরক্লি। মীওইবগী তৎন-থানবা য়াদ্রবা অহিংবা থৱায় পানবা কয়া মুৎশিলক্লে অমদি কয়া অমনা হিংননবা চিঙ্গাক থিবদা পুন্সি লোমখিবসু কয়া অমনি। ঐখোয় পুম্নমক্না মখোয়বু ঙাকপী শেনবীসি, মখোয়বু লুনা লৌসি হায়নসু আপিল তৌরক্লি।

'কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লৌরোই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্লরোই'

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):

লৌমীবু ঈকায় খুম্নবা অমদি মালেম ইমাবু খুরুমজবা হায়বা ৱাখল্লোনদা কুমজা ২০০৯দগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ষ্টেট লেভেল লৌরোই ফেষ্টিভেল চহী অসিগী ওইনদি কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা পাঙথোক্লরোই হায়না ষ্টেট লেভেল লৌরোই ফেষ্টিভেল ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভিনর এল লোকেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ইপা-ইপুশিংনা চেকশিন্না থম্বীরম্বা লৌউ-কাঙলোন, লৌ উবদা শীজিন্নরম্বা পোৎলমশিং উৎপা, শা-ষননা মীওইবদা পীবীরিবা খুদোল কয়াবু শীংথাদুনা পাঙথোকপা ষন লাবা ফজবা তান্নবা, মাঙশিল্লক্কবা চৎন-কাঙলোনশিং উৎপা, অরিবা খুন্নুং ঈশৈ, পাউখোং অমদি খোংজোম পর্ব্ব লোয়নননা ফুরুপকী ওইবা জগোয় ঈশৈ কয়া উৎপনা মপুং ওইবা থৌরম ওইদুনা পাঙথোকপগা লোয়নননা ফৌ মখল কয়াগী অমদি এঙ্গাং-নাপী কয়াগী ষ্টোল হাঙদুনা লৌমীবু পূক্নিং থৌগৎচবা থৌরমনি।

কুমশি চহীগী পোইনু থাদা পাঙথোক্কদবা ১২রকশুবা ষ্টেট লেভেল লৌরোই ফেষ্টিভেল অসি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাইতোন হায়রিবা লৌমী শিন্মীনা নম্না তাবা নীংথিরবা খুঙ্গং অসিদা পাঙথোক্ল বগীদমক্তা মমাঙ চহীগী চকপা ফয়েং খুঞ্জাওদা পাঙথোকখিবা ১১রকশুবা লৌরোই ফেষ্টিভেলগী লোইশিনবা নুমীৎকী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইখিবা হৌজিক্লা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইরবা এস রাজেননা লাউথোকখিবনি।

অদুবু হৌজিক্কী ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা লৌরোই ফেষ্টিভেল অসিগী মতাংদা ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান পি সুরবালা, খুনগী অহলশিং, নহাশিং অমদি লৌরোই ফেষ্টিভেল ওবজার্ভেসন কম্মিটি মণিপুরগী এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংগা হৌখিবা দিসেম্বর ৬তা ৱাইতোন খুনদা পাঙথোকখিবা চহীগী মীফম্না কুমশি চহীগী লৌরোই ফেষ্টিভেল পাঙথোক্তনবগী ৱারেপ লৌখিবনি।

লৌমী-শিন্মীশিংগী য়াম্না মরুওইরবা ফেষ্টিভেল অসি মথংগী চহীদা ৱাইতোন খুঙ্গংদা অদুমক পাঙথোকপা হায়নসু ৱারেপ্পখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ৱাশক লৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস)ঃ

সেলিন দিজিটেল অমসুং এন আর মেদিয়া অনীনা চত্থরকপা ঐখোয় পুন্না কোভিদ-১৯ থেংনমিন্নসি হায়না ৱাশক লৌবগী থৌরম অমা ঙসিসু কুম্বী এ সিগী মনুং চনবা ইথাই খুন্নৌদা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রড্যুসর ফানজৌবম লনাজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্তুনা লমদম অসিদসু অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা কোভিদ-১৯ থেংননবা হোৎনবা মীয়াম পুম্নমক্কী অচৌবা থৌদাং লৈ। লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা লৈঙাক্লা পীরিবা চৎন-কাংলোনশিং হায়বদি য়ুমদগী চত্থোকপদা ফেস মাস্ক শীজিন্নবা, সেনিটাইজর শীজিন্নবা অমদি সোসল দিষ্টেন্সিং ঙাক্লা চৎপা হায়রিবা ৱাফমশিং অসি ইনবা মথৌ তাই। মসি নত্তনা লায়না মখল অসি থেংনবদা অরাইবা ওইরোই।

ফানজৌবম লনাজিৎ প্রড্যুসর সেলিন দিজিটেল, নিঙোম্ব্রম ইবোবি সোসল ৱার্কর, এন আর রাজেস প্রোপ্রাইটর এন আর মেদিয়া, করাম দেবেন প্রসিদেন্ট আই এম সি সিনা মরুওইবা মীওইশিং ওইদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুনা অমত্তা ওইনা ঐখোই পুন্না কোভিদ-১৯ থেংনমিন্নসি হায়না ৱাশক লৌখি হায়রি।

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-3451

	8		5				3	
	1					6		
			4	1	9		8	
	7	1		4				9
			2		3			
2				7		5	4	
	4		9	2	1			
		7					1	
	3				4		2	

Solution-3450

3	7	8	2	5	4	9	6	1
1	6	5	3	7	9	2	8	4
9	4	2	8	6	1	3	7	5
6	9	4	7	2	8	1	5	3
2	3	7	1	9	5	6	4	8
8	5	1	6	4	3	7	9	2
7	8	9	5	1	2	4	3	6
5	2	6	4	3	7	8	1	9
4	1	3	9	8	6	5	2	7

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

লময়ানবা ইরাবত

ৱারী অমসুং খুৎয়েক : সামসন সলাম

ইরাবত থোক্লকও তাবদা মীয়াম্না উনবা লাকপদা ফমফম লৈতদুনা বোরানা পাখল খন্দুনা ফমফম শেমখি।



খিত্বা তৌদনা অনিশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা ওইরক্লিবা লৈবাক্কী ফিতমগী মরমদা খন্নখিরম্মী।



শেঞ্জাও পায়বশিংনা লৈবাকসি ইরাবতনা পায়প্পনি কিদুনা ইরাবতপু ইস্থুনবা শরৌ শিন্নখিরম্মী।